HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর বিষ্ণুপুরনা নেহরু য়ুব কেন্দ্র অমসুং লিঙ্খেইঙানবী লৈশা ফান গর্লস ক্লবকা খূৎশম্নদুনা ইথিং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা নেসনল ভোটরস দেগী থৌরমদা ভোটর আইদেন্টিটি কার্দ খূৎশিন্নখিবা

অমরা বেঙ্গালিগী মায়োক্তা ষ্টুদেন্টস ৱিংনা খোঙজং চথখ্রে
☛ লামায় ২

নিলচন্দ্র কোংগ্রেসতগী তোকখ্রে, অতোপ্পা পার্টিগী মীরেপ ওইরগনি
☛ লামায় ৩

এম ৱাই সী ওনা মনা ৭ ফংলক্রে
☛ লামায় ৬

লুপা ক্রোর ৩গী গঞ্জা ফারে
☛ লামায় ৭

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা উরিপোক বাচস্পতি লৈকায়গী হেরিটেজ কনভেন্টগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা নেসনল ভোটরস দে থৌরমগা মরী লৈনবা দিবেট কম্পিটিসনগী সর্টিফিকেট খূৎশিন্নখিবা



Vol. 45, Issue No. 299 | য়ুমশকৈশা, ৱাকচীংগী ২৩/২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, January 26, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# মণিপুরগী বি জে পিগী কেন্দিদেটশিং লাউথোকপদা নোংমা-নীনি চঙখিগনি ঃ অজয় জমৱাল

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী ১১শুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতম লোইশিল্লকপগা ইরোয়নবা মসিগী মহুৎ শিন্নবগীদমক পাঙথোক্লগদবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী মতম ঈ সী আইনা থা অসিগী ৮দা লাউথোকখ্রবা মতুং কোংগ্রেস অমসুং নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) না মখোয় মখোয়গী ওইবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ ওইগদবশিং লাউথোকখ্রবসু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা লাউথোকপা ঙমখিদ্রবা বি জে পিগী মীরেপশিংদি লাউথোকপদা নোংমা নীনি চঙখিগনি হায়রি।



**কৈশামথোং, শগোলবন্দ, উরিপোক, ৱাঙ্খে, নাওরিয়া পাখংলাকপা, লম্লাই, খুন্দ্রাকপম, মোইরাং, থাঙ্গ, ৱাংখেম অমসুং ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগীদি কুম্মৈ নুংঙাইদৌরি**

ৱাফম অসি ফেব্রুৱারী ২৭ অমসুং মার্চ ৩দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা মীরেপ ওইগদবা বি জে পিগী কেন্দিদেটশিং লাউথোক্ল বগীদমক পার্টি অসিগী নেসনল লিদরশিং অমসুং ষ্টেট লিদরশিংনা শরুক য়াদুনা তাঙ্কক নাইনা পাঙথোরকখিবা তোঙান তোঙানবা লেভেলশিংগী মীটিংগী মখা তারকপদা ঙসি ন্যু দেল্লীগী ৬এ- দিন দয়াল উপধ্যায় মার্গতা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা মসিগী সেন্ত্রেল পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দকী মীটিং পাঙথোক্তুনা খন্নখিবগা লোয়ননা মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাই-জেসন), নোর্থ ইষ্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ২




## কোর্টনা ফেব্রুৱারী ৪দা মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎপু কোর্টতা লাক্নবা সমন পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৫ (ঐচএনএস) : ঙসিদগীনা থা ৮ লোমগী মমাঙ মে ৯, ২০২১দা পাউচে অনীদা ফোঙখিবা পাউশিংবু অরানবনি অমসুং পাউশিং অদুনা ১৪-উচেক্কোন নোংচুপ জিলা পরিষদকী মেম্বর ওইবগী মথক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইগদৌরিবা সেরাম নেকেন (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মঙ্গি, শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়না ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট কেস অমগা মরী লৈননা লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল কোর্ট ফোর এম এল এ/এম পি নম্বর ২, মণিপুরনা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা আর দি এন্দ পি আরগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎপু মথং থাগী ৪দা কোর্ট অসিদা শোয়দনা মশা লাক্নবা সমন নোটিস ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## নেসনল ভোটরস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৫ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিগী মফম অতৈদা পাঙথোক্লখিবগুম মণিপুরদসু অনৌবা মীখল পাঙথোক্কদবা মতমগা নক্লনা থোক্লবা ১২শুবা নেসনল ভোটরস দে, ২০২২গী থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লখ্রে।

হন্দক চহীগী থৌরম অসি 'মেকিং ইলেক্সন্স ইনক্লুসিভ, এসেসিবল এন্দ পার্টিসিপেটিভ' হায়বা থিম অসিদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসি চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরনসু শীন্দুনা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, বিষ্ণুপুরনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নেহরু য়ুব কেন্দ্র অমসুং লিঙ্খোইঙানবী লৈশা ফান গর্লস ক্লবকা খূৎশম্নদুনা ইথিং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

লোয়ননা থৌবাল অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতসু দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী ইলেক্সন ওফিসশিংনা শীন্দুনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকখি।

মোইরাংগী ইথিং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুরগী দি ঈ ও, এল বিক্রমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অপূনবা ভোটরশিংগী মনুংদা চাদা ৭.৪৪ ওইরিবা নহা ওইরিবা ভোটরশিংবু পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা শরুক য়াদুনা মখোয়গী ফ্রেঞ্চাইস রাইটশিং মপূং ফানা পাঙথোক্লবা পূক্নিং থৌগৎখি।

## অনৌবা ওমিক্রোনগী কেস অমুক্কসু ৩ থেংনরে, পূন্না ৪২ শুরে
### কোভিদ পোজিটিভ হেনগৎলক্লি, ৪ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৫ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভ লোইশিল্লকপগী ফীভমদা নুংতিগী থেংনবা কোভিদ পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং য়াম্না হন্থরুবগা লোয়ননা পোজিটিভিটিগী চাংসু য়াম্না নেম্থরবা মতুং লায়না অসিগী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোন থোরকখিবদগী মণিপুরদসু থর্দ ৱেভ হৌরক্লে হায়দুনা লৌবা য়ারিবা ফীভম অসিগী মনুং চন্না মরিরক শুরকপা ওইনা ওমিক্রোনগী অনৌবা কেস অহুম থেংনবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ভেরিএন্ট অসিনা নাহল্লবা অপূনবা মীওই ৪২ শুখ্রে।

**জন্যুৱারী ২৫, ২০২২ ফাওবদা থেংনবা ওমিক্রোন ভেরিএন্টকী পোজিটিভ কেসশিং**

| সে নং | থেংনবা নুমিৎ | মশীং |
|---|---|---|
| ১ | দিসেম্বর ২৭, ২০২১ | ১ |
| ২ | জন্যুৱারী ১৪, ২০২২ | ৬ |
| ৩ | জন্যুৱারী ১৭, ২০২২ | ৩২ |
| ৪ | জন্যুৱারী ২৫, ২০২২ | ৩ |
| | অপূনবা মশীং ৪২ | |

অমরোমদা, ঙরাং শুপ্নতগী কেস ৪১৮ থেংনখ্রবসু ঙসিগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

**পাউচে পুথোক্লোই**

ঙসি জন্যুৱারী ২৬, ২০২২ রিপব্লিক দেগী প্রেস ছুটি ওইবনা জন্যুৱারী ২৭তা পাউচে অসি পুথোকচরোই। - মেনেজর

**অস! লোইরেহে!**

-তাদবু হন্দক লম্বী খূৎশেমসিদি থা ফানবু চৎতেনে।



- হেরা সিদি থাবু চৎলি, নুমিৎ নীনি ফাও চৎতবা য়াওরি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Khourangna ngairakliba BJPgi ticket laothokpada mana manil nairakloi haibada achumba oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: BJPgi intending candidate singgi manungda ticket fanghoudaba kangbuna protest tourakloi thajabra?

Yes 60% No 40%

